# ইমরান খান ফারবদি পাকিস্তানগী পোলিটিক্সতা মীশি মীনা কয়া থোক্লক্কনি হায়না এক্স মিনিষ্টরনা ৱার্নিং তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):

পাকিস্থান গভর্ণমেন্টনা পি টি আইগী চিয়ারমেনগী মায়োক্তা অথিংবা থন্বা ফন্দিং অমসুং টোসাখানা কেসশিংগা মরী লৈননা রিফরেন্সশিং ফাইল তৌনবা পাকিস্থান গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংদা রিএক্ট তৌরদুনা হান্নগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সেখ রসিদ অহমদনা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা হায়খ্রে, মদুদি ইমরান খানবু ফানবা নত্ত্রগা পার্টি অসিবু থুগায়নবা হোৎনবনা লৈবাক অসিগী পোলিটিক্সতা মীশি মীনা কয়া থোক্লকপা য়াই।



জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা রসিদকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটিনা পোলিটিক্স অমসুং পৱারদগী হেন্না মরু ওই। অফঘানিষ্টানদা মরা চেৎপা ফিভম লৈত্রবদি মদুনা পাকিস্থানগী মরা তপ্পা ফিভমদসু অকায়বা পীরক্কনি।

পনবা য়াবদি, ইল্লিগেল ফন্দিংগী মতাংদা ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এফআইএ) না প্রোব অমা লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা পিটিআইগী সেনিয়র লিদরশিংদা সমন থাদুনা এজেন্সি অসিদা লাক্ল বা খঙহনখ্রবনি। বেলোচিষ্টানদা হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা মিলিটরিগী মায়োক্তা মিংচৎ থিহনবগী কেম্পেইন চথখিবা অমদি অথিংবা থন্বা ফন্দিংগী কেসকা মরী লৈননা ইসিপিনা রুল্লিং অমা পীখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা পিটিআইদা অকনবা মীৎয়েং থন্বা হৌরকখিবনি।

পরিং নাইনা থাগৎপা ত্বিটশিংদা রুল্লিং এল্লাইয়ন্সপু ৱার্নিং তৌরদুনা রসিদনা হায়খি, মদুদি লৈবাক্কী শেল থুমগী থবক থৌরমশিং ফেল ওইরকপা, পোলিটিকেল ষ্টেবিলিটি মাঙলকপা, নম্ফুদা শেল লৌবা অমদি টেরোরিজমগী থবকশিং হেনগৎলকপনা মখোয়গী পোলিটিক্সকী অশেংবা মশক মতৌশিংবু মীয়ামগী মীৎয়েংদগী লোংপা ঙমহনগনি।

মখা তারদুনা হান্নগী মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মদুদি চাইনানা পাকিস্থানগী মরমদা ফত্তনা খনবা লৈতে। লৈবাক অসিগী রুল্লরশিংনা বৈজিংগী সিগ্নেলশিং খঙবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা নিংতম্বা ফঙখিবগী কুমওন নুমিৎপু মশক থিহন্নবা হোৎনরোইদবনি।

ইমরান খানবু ফাবা অমদি পিটিআইবু থুগায়নবা থৌরাং তৌবনা পাকিষ্টানগী পোলিটিক্সতা মীশি মীনাশিং থোক্লক্লবগী লম্বী ফাৎপগা মান্নগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। রসিদকী মতুং ইন্না রুল্লিং গভর্ণমেন্টগী এজেন্দাদি খানবু দিসক্কালিফাই তৌবা অমসুং নৱাজ সরিফপু লৈবাক অসিদা অমুক হন্না মীখল থেংনবা য়াহন্দুনা লৈঙাক পায়বা য়াহন্নবা শিনবা অসিনি।

পনবা য়াবদি, পিটিআইগী লিদর অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী চীফ ওফ ষ্টাফ সেহবাস গেল লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সিদিসনগী চার্জতা ফাখ্রবনি। ইস্লামাবাদ পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা গেলবু ফারিবদু মীয়াম্বু পাকিস্থান আর্মিগুম্বা ষ্টেট ইন্সটিট্যুসনশিংগী মায়োক্তা ইরাং হৌহন্নবা শিনবগীদমক্তনি।

হান্নগী মিনিষ্টর ফৱাদ চৌধুরিনা ফোঙদোকখিবদা গেলবু নম্বর প্লেটশিং য়াওদবা কারশিংদা তোংলকপা মশক খঙদবা মীওইশিংনা পিকঅপ তৌখি। মহাক বানিগালা চোক্তগী ফাখিবনি। ইস্লামাবাদ পুলিসনা পিটিআইগী লূচিংবা অসিগী মায়োক্তা এফআইআর অমা ফাইল তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্না এআইৱাই ন্যুজতা ৱা ঙাঙবদা পাকিস্থান আর্মিবু মীয়ামদা হঙ্গোই তুক্কৎচহন্নবা হোৎনখি হায়না ক্লেম তৌখি।

# য়ুক্রেনগী লান ক্রিমিয়া লিবরেট তৌরগা লোইগদবনি: জেলেন্সকি

কিভ, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনদা হৌজিক শোক্লরিবা লান অসি ক্রিমিয়াদগী হৌখিবনি অমসুং লান অসি মসিবু লিবরেট তৌরগা লোইগদবনি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রে।



ক্রিমিয়াদা লৈবা এয়র বেজ অমদা পোকখায়বগী থৌদোক কয়া থোকখিবগা লোয়ননা মীওই অমা শিখ্রবা মতুংদা ৱা ঙাঙবদা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

জেলেন্সকিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদু পনখিদ্রবসু ক্রিমিয়া অসি য়ুক্রেনগী শরুক্নি অমসুং ঐখোয়না মসিবু কৈদৌনুংদা থাদোক্লোই হায়খি। রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা বেজ অদুদা লৈবা এম্যুনেসন দিটোনেট তৌদুনা পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদু থোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, য়ুক্রেননা পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদুদা লৈবাক অসি মওং অমত্তদা চেন্নদে হায়খি। তোঙানবা দিভলপমেন্ট অমদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা সেন্ট্রেল দনিপ্রোপেট্রোবস রিজনদা অহিং চুপ্পা চথখিবা ষ্ট্রাইকশিংদা মীওই ১৩ শিখ্রে অমসুং খা থংবা জপারিজিয়া রিজনদসু অতোপ্পা মীওই অমা শিখ্রে হায়না য়ুক্রেনিয়ন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্রিমিয়া অসি য়ুক্রেনগী শরুক অমনি হায়না মালেম্না শকখঙলিবনি। তৌইগুম্বসুং ব্লেক সীগী পেনুন্সুলা অসি রিফরেন্দম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা কুমজা ২০১৪ দা রসিয়ানা লৌশিনখি। রসিয়ানা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা রিফরেন্দম অদুবু গ্লোবেল কম্যুনিটিনা লোগী মায়োক্তনি হায়রদুনা কন্না য়ানিংদবা উৎখিবনি।

য়ুক্রেনিয়ন কয়ানা মখোয়না রসিয়াগা শোক্লরিবা লান অদু মসিদগী হৌখিবনি হায়না থাজে। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ক্রিমিয়াগী নোংচুপতা লৈবা নোবোফেদোরিস্কাগা নক্নবা সাকি মিলিটরি বেজতা পরিং নাইনা পোকখায়বগী থৌদোকশিং থোকখিবনি। মফম অদু রসিয়ন টুরিষ্টশিংনা পাম্নবা সমুদ্র মপানগী রিজোর্টকা নক্লনা লৈরিবনি।

নোবোফেদোরিস্কা অমসুং সাকি অসি য়ুক্রেনগী সমুদ্র মপানগী মফমশিংদা চথরিবা ব্লোকেদ অদুবু লুচিংলিবা রসিয়াগী ব্লেক সী ফ্লিটকী মফম ওইরিবা সেবাষ্টোপোল পোর্টকী অৱাংলোমদা কিমি ৩০ রোম লাপ্না লৈ।

# অথিংবা কয়া থন্বা, লোনা য়াদবা মওংদা এসেটশিং ফাজিনবগী মায়োক্তা ভেনেজ্যুলানশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

করাকস, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):

য়ুএসনা লুচিংদুনা ভেনেজ্যুলাগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থন্বা অমদি লৈবাক অসিগী ফাইনান্সিএল অমসুং নন-ফাইনান্সিএল এসেটশিংবু লোনা য়াদবা মওংদা ফাজিনবগী মায়োক্তা ভেনেজ্যুলান লিশিং কয়ানা কেপিটেল করাকসকী লম্বীশিংদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।



এসেটশিং অদুবু রিকোভর তৌনবা প্রেসর পীনবা গভর্ণমেন্টনা কৌদুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা দিমোন্সট্রেসন অদুদা প্রোটেষ্টর লিশিং তরারোম্না শরুক য়াখি হায়না ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর অমসুং ফ্লেগ করিয়র কোনবিয়াসাগী প্রসিদেন্ট রামোন ভেলাস্কিস অরাগুয়েন্না মেদিয়াদা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর অসিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ভেনেজ্যুলান মীয়ামগী অকনবা দিমোন্সট্রেসন উৎননবগীদমক্তা ঐখোয়না নেসনেল এসেমব্লি কোংগ্রেস তম্না চঙশিল্লগনি। ফাজিনখিবা এসেট পুম্নমক হন্দোরক্ত্রিবা ফাওবা মখোয়না মখা তানা মোবিলাইজ তৌখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, ফাজিনখিবা এসেটশিং অদুগী মনুংদা য়ুএসকী জজ অমনা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না আর্জেন্টিনাদা লোনা য়াদবা মওংদা ফাজিন্দুনা থমখিবা ভেনেজ্যুলান কম্পেনি ইমট্রাসুরগী প্লেন অমা য়াওরি। এয়রক্রাফট অদু ভেনেজ্যুলান কম্পেনি অসিদা হন্দোরক্কদবনি হায়না মহাক্না দিমান্দ তৌখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না ইন্টরনেসনেল বেঙ্কশিংদা লৈরিবা ভেনেজ্যুলান একাউন্টশিংসু সিজ তৌখ্রে। প্রোটেষ্টরশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ভেনেজ্যুলাগী নেসনেল এসেমব্লি প্রসিদেন্ট জোজ রোদ্রিগিসনা কোনবিয়াসাগী মায়োক্তা অথিংবা থল্লিবা কয়া অদুবু কন্দেম তৌখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি নোর্থ অমেরিকন এম্পায়রনা খঙগদবদি অথিংবশিং অদুগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লিবা লোয়ননা ব্লোকেদ অদুগী মায়োক্তা ঈহৌ হৌরিবা মী মশিং ৱাৎতনা লৈ হায়বসিনি। ঐখোয়গী কম্পেনি কোনবিয়াসাদা এটেক তৌবগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না অকনবা ঈহৌ হৌরক্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়, ভেনেজ্যুলাগী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবশিং অসি কন্টিনেন্ট অসিদা লৈবাক অমনা থেংনবদা খ্বাইদগী শাথিবনি হায়বা য়াই।

পনবা য়াবদি হৌখিবা জুন ৬ তা করিবিয়ন অমসুং অফ্রিকাগী লৈবাকশিংদা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং পীবদা শীজিন্নখিবা এমট্রাসুরগী বোইং ৭৪৭ অমা আর্জেন্টাইন ওথোরিটিশিংনা ফাজিনখিবগা লোয়ননা মতুং তাবদা য়ুএসকী জজ অমনা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুবু থাদোকহন্দনা থমখিবনি। লোনা য়াদবা মওংদা ফাজিনখিবা নেসনেল এসেটশিং ভেনেজ্যুলানশিংনা রিকোভর তৌগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা ফোঙদোকখি।

# ফিলিপিন্সনা রসিয়াদগী চোপ্পর লৈবগী দিল ওফিসল ওইনা কেন্সেল তৌখ্রে

মনিলা, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):

রসিয়াগী মিলিটরি ট্রান্সপোর্ট হেলিকোপ্টর ১৬ লৈনবগী পেসো বিলিয়ন ১২.৭ (দোল্লর মিলিয়ন ২২৭) গী কন্ট্রেক্ট অমা ফিলিপিন্সনা ওফিসল ওইনা কেন্সেল তৌরগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ফিলিপিন্স এয়র ফোর্সকীদমক এমআই-১৭ হেভি-লিফট হেলিকোপ্টর য়ুনিট ১৬ লৈননবা রসিয়াগী সোভটেক্নো এক্সপোর্ট এলএলসিগা য়ানখিবা কন্ট্রেক্ট দিপার্টমেন্ট ওফ নেসনেল কনফরেন্সনা হৌনবী মতুং ইন্না লোইশিল্লগনি হায়না দিপার্টমেন্ট অসিগী স্পোক্সমেন আর্সিনিও অন্দোলোংগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রি।

অন্দোলোংনা হায়, দিপার্টমেন্ট অসিগী কন্ট্রেক্ট রিভিয়ু কম্মিটিনা তৌফম থোকপা প্রোসেস পায়খৎলগনি অমসুং প্রোজেক্ট অদুগী কন্ট্রেক্ট হৌনবী মতুং ইন্না লোইশিন্নবা চেকশিন্না হোৎনরগনি।

প্রোজেক্ট অসি কেন্সেল তৌবদগী লাক্লিবা ইস্যুশিংগী মতাংদা রসিয়ন সাইদকা দিপ্লোমেটিক দাইলোগ চথবা হৌনবসু ঐখোয়না শেম শারি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। হান্নগী দিফেন্স সেক্রেটরি দেলফিন লোরেঞ্জানা হায়খি, মদুদি কন্ট্রেক্ট অদুবু কেন্সেল তৌবগী ৱারেপ অদু রসিয়া-য়ুক্রেনগী লান মরক্তা য়ুএসনা অথিংবা কয়া থল্লক্কনি হায়বগী অকিবা লৈবনা মরম ওইদুনা হান্নগী প্রসিদেন্ট রুদ্রিগো দ্যুটরটেগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী লোইশিল্লকপা মতমদা লৌখিবনি।

লোরেঞ্জানা হায়খি, ৱারেপ অদু য়ুএসতা লৈবা ফিলিপিন্সকী এম্বেসেদর জোস মেন্যুল রুমালদেসনা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা করিগুম্বা ঐখোয়না হেলিকোপ্টরশিং অদু লৈবা তারবদি মদুগী তোঙজবদগী মাঙজবনা হেনগনি হায়খিবা মতুংদনি। লোরেঞ্জাগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রেক্ট অদুগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা পীখ্রবা শেনফম পেসো বিলিয়ন অনী গভর্ণমেন্টনা রিকোভর তৌবা ঙমগদ্রা হায়বদু মহাক্না হায়বা ঙমদে।

## ওইল অমসুং গ্যাস প্রোটেক্ট তৌবদা ওপশন খুদিংমক শীজিন্নরগনি

বৈরুট, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):

লেবাননগী মায়োক্তা অরানবা ৱাখলদা য়ুম্ফম ওইরগা লৌখৎফম থোক্তবা খোঙথাংশিং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা হেজবোলাগী লূচিংবা সায়েদ হাসন নসরানা ইজরেলদা ৱার্নিং তৌখিবগা লোয়ননা লেবাননগী ওইল অমসুং গ্যাস ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা তৌরোইদবা অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সিয়াশিংগী শেংলবা নুমিৎ অসুরাগা মরী লৈননা টেলিভিজনগী খুথাংদা মীয়ামদা ৱা ঙাঙলদুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নসরানা হায়খি, মদুদি লেবাননগী লন থুমশিং কন্ননবগীদমক্তা ঐখোয়না য়েক্লবগী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি তরাইনা লৌবা য়ারোই।

ইজরেলনা কিহল্লকপশিংগী পাউখুম ওইনা ঐখোয়না ওপশন খুদিংমক শীজিন্ননবা শেম শাদুনা লৈ। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা হেজবোলানা মিলিটরি এক্সনশিং লৌখৎনবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ইজরেলদা মেসেজ অমা পীরদুনা মহাক্না হায়খি।

লেবানন অমসুং মসিগী মীয়ামগী মায়োক্তা অশোয়বা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎতনবা মহাক্না লেবাননগী য়েক্লবশিংদা ৱার্নিং পীখি অমসুং ওইল, গ্যাস অমসুং মেরিটাইম বোর্দরগী ইস্যুশিংদা হেন্না কনবা রেজিষ্টেন্স পীননবা শেম শারে হায়রি।

## সাউথ কোরিয়াদা নোং কন্না চুবদগী মীওই ৯ শিরে

সিওল, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):

চয়োল অসিদা সাউথ কোরিয়াগী কেপিটেল সিওল অমসুং লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা অমসুং ময়াই থংবা লমদমশিংদা রেকোর্ড ওইবা মওংদা নোং চুবদগী মীওই মাপন শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই তরেৎ থিবা খঙদনা লৈরি হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসলশিং অদুগী মতুং ইন্না নোং কন্না চুবা অদুদা য়ুম অমসুং বিল্ডিং ২৫০০ হেন্না ঈশিংনা থুমজিনখ্রে।

হৌখিবা নিংথৌকাবদগী য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক ফাওবদা কেপিটেল সিওলদা তাখিবা নোং পুন্না এমএম ৫২৫ য়ৌখি। কেপিটেলদগী নোংপোকলোমদা কিমি ৪৫ রোম লাপ্না লৈবা য়াংপিওংদা মতম অসিদা চুখিবা নোং অদু পুন্না এমএম ৫২৬.২ নি হায়না কোরিয়া মেটরিওলোজিকেল এদমিনিষ্ট্রেসন (কেএমএ) না ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্ট দেটা মতুং ইন্না নোং কন্না চুখিবা অসিগা মরী লৈননা পুন্না মীওই মাপন শিখ্রে। মখোয়গী মতুংদগী মীওই মঙা সিওলদা শিখিবনি। গিওংগিদা মীওই অহুম শিখি অমসুং গাংওনদা মীওই অমা শিখি। মীওই তরেৎ হৌজিক ফাওবা থীবা খঙদ্রি। থীবা খঙদ্রিবশিং অদুগী মনুংদা মীওই মরিদি সিওলদগীনি অমসুং অতৈ অহুমদুনা গিওংগিদগীনি। পুন্না মীওই ১৭ অশোক অপন নঙলে।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না চয়োল অসিদা নোং কন্না চুখিবা অসিনা য়ুম অমসুং বিল্ডিং ২৬৭৬ ঈশিং থুমখি। ঈশিং থুল্লিবা য়ুম অমসুং বিল্ডিংশিং অয়াম্বনা সিওলদা লৈবশিংনি।

সিওল এরিয়াদগী অয়াম্বা ওইবনা ইমুং ৩৯৮ গী মীওই ৫৭০ রোম ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লোকেল স্কুলশিং অমসুং জিমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না মখা তানা লৈবাক অসিগী ইমুং ৭২৪ গী মীওই ১২৫৩ মতম খরগী ওইনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে।

## নিংথম থাদা কোভিদ শন্দোরক্লবদি জমর্নিনা মাস্ক মেন্দেট চৎনহনগনি

বর্লিন, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):

লাক্লিবা নিংথম থাগী মতমদা জমর্নিদা কোভিদ ১৯গী কেস মশিং য়াম্না হেনগৎলকপা তারবদি লৈবাক অসিদা ইন্দোর মাস্ক মেন্দেট অমুক হন্না চৎনহল্লকপা য়াই হায়না লৈবাক অসিগী হেল্‌ঠ মিনিষ্টরশিংনা মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।



ফেদরেল অমসুং ষ্টেট হেল্‌ঠ মিনিষ্টরশিংনা পেন্দামিক অসিবু থেংনবগী রেগ্যুলেসনশিং অপদেট তৌনবগী পান্দমদা পুথোক্কদৌরিবা ড্রাফট লেজিসলেসন অমা খন্নখিবনি।

হেল্‌ঠ মিনিষ্টর কার্ল লুটরবার্কনা হায়খি, মদুদি কোভিদ লাইচৎ কনশিল্লকপগী ফিভম লাকপা মতমদা ইন্দোর মাস্ক মেন্দেট চৎনহনবা অসি মরু ওই হায়না ঐখোয়না লৌগদবনি। হৌখিবা চয়োলদা লুটরবার্ক অমসুং জষ্টিস মিনিষ্টর মার্কো বুসমাননা নিংথম থাদা চৎনগদবা অনৌবা কোরো ভাইরসকী চেকশিন থৌরাংশিং পুথোকখি।

অনৌবা ড্রাফট অদুগী মতুং ইন্না লমশাং চেনবা ট্রেনশিং অমসুং প্লেনশিংদা লৈবাক শীনথুংনা মাস্ক শীজিন্নবা অসি মখা তানা কম্পলসরি ওইবগা লোয়ননা হোস্পিটালশিং অমসুং ক্যের ফেসিলিটিশিংদসু মাস্ক শোয়দনা শীজিন্নহনগদবনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা মখোয়সু মী তিনবা য়াবা ইন্দোর এরিয়াশিংদা মীয়াম্বু মাস্ক শীজিন্নবা মথৌ তাহনগদ্রা হায়বগী মতাংদা মখোয়গী ওইবা ৱারেপ লৌরগনি। ষ্টেট মিনিষ্টর খরনা মমাঙগী থা অহুমগী মতমদা কোভিদ ১৯ গী মায়োক্তা ভেক্সিন কাপখিবা মীওইশিংদা রেগ্যুলেসন অসিবু একজেম্প তৌবগী থৌরাং য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT:LAW & LEGISLATIVE AFFAIRS DEPARTMENT**
**CIRCULAR**
Imphal, the 10th August, 2022

No 7/8/2022-GA/L (efile No. GAP-1/9/2022-SEC-LAW) : In continuation of Advertisement vide Notification of even No. dated 15/07/2022 in respect of recruitment of post of Deputy Government Advocate (HC) issued by this Department, it is to further inform to all concerned that the document mentioned in Sl. No. (3) in the application form regarding concerned Bar Association of High Court includes All Manipur Bar Association and Bar Council of Manipur.

**Sd/- Henry Alemo Francis**
**Deputy Secretary (Law)**
**Government of Manipur**

HL-B/7795/11,12

**GOVERNMENT OF MANIPUR / 2275**
**DIRECTORATE: SOCIAL WELFARE DEPARTMENT**
**NOTIFICATION**
Imphal, the 8th August, 2022

**No. 10/185/14-SW(HS):** Applications for award of scholarship to Persons with Disabilities under the Ministry of Social Justice and Empowerment, Govt. of India for the following categories are invited from the intending students with disabilities for the academic year 2022-23.

| Sl. No. | Name of scholarship | Open till | Rate of scholarship per annum | |
|---|---|---|---|---|
| | | | Hostellers | Day Scholars |
| 1. | Pre-Matric Scholarship for students with Disabilities (Class IX & X only) | 30/09/2022 | Rs. 12,600/- to Rs. 14,600/- | Rs. 9000/- to Rs. 11,000/- |
| 2. | Post — Matric Scholarship for students with Disabilities | 31/10/2022 | Rs.14,300/- to Rs. 24,700/- (Fee upto Rs.1.50 lakh may be reimbursed) | Rs. 10,100/- to Rs. 14,500/- (Fee upto Rs.1.50 lakh may be reimbursed) |
| 3. | Scholarship for Top Class Education for students with Disabilities | 31/10/2022 | Rs. 1,25,000/- (Fee upto Rs.2.0 lakh may be reimbursed) | Rs. 1,07,000/- (Fee upto Rs.2.0 lakh may be reimbursed) |

The intending students with disabilities shall apply through National Scholarship Portal (NSP) https://scholarships.gov.in.

The eligibility criteria for the National Scholarship Scheme for Persons with Disabilities are given below:

I. The applicant must be a citizen of India and must possess a disability certificate issued by Competent Authority with more than 40% disability and having validity of the disability certificate.
II. The annual income of the parent for Pre-Matric and Post-Matric Scholarship must not exceed Rs. 2,50,000/-
III. Scholarship for Top-Class Education, the annual income of the Parent must not exceed Rs. 6,00,000/-

**Sd/- Ng. Uttam Singh**
**Director, Social Welfare, Manipur**

HL-B/7794/11

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR**
**Ref :- Mut. Case No. 268/SDC/P/2022**
Thiyam Sorojini Devi W/o (L) Thiyam Momon Singh of Sagolband Tera Lukram Leirak. -Petitioner
-Vs-
(L) Thiyam Momon Singh S/o (L) Gourachandra of Lamjaotongba. -OP Party

**NOTICE**
The 10th August, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার থিয়াম মোমোন সিংহ, পীং মৃ: গৌরাচন্দ্রা, সাং লমজাওতোংবাগী মিংদা লৈবা ই:ও তহশিলগী খুল নং ৮৩-লমজাওতোংবাগী অনৌবা পাট্টা নং ৫৬২, দাগ নং ৭৭৪ অমসুং এরিয়ানা .৩৭৭৯৯ একর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নি গী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/3648/11

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR**
**Ref :- Mut. Case No. 273/SDC/P/2022**
Thongam Devananda Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Taobungkhok Makha Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Thiyam (N) Thongam (O) Maipakpi Devi W/o (L) Tomba Singh of Taobungkhok. -OP Party

**NOTICE**
The 10th August, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার থিয়াম নিংঙোল থোঙাম ওংবী মাইপাকপি দেবী, পীং মৃ: তোম্বা সিংহ, সাং তাওবুংখোক গী মিংদা লৈবা ই:ও তহশিলগী খুল নং ৮১-তাওবুংখোকগী অনৌবা পাট্টা নং ৫২৩, দাগ নং ১২৩ অমসুং এরিয়ানা .৭০০০১ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নি গী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/3648/11

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR**
**Ref :- Mut. Case No. 269/SDC/P/2022**
(1) Thiyam Bijenti Devi W/o (L) Bidhanchandra Singh of Sagolband Tera Lukram Leirak.
(2) Thiyam Kiran Singh S/o (L) Konungjao Singh of do.
(3) Thiyam Tiken Singh S/o (L) do - of - do. -Petitioners
-Vs-
(L) Thiyam Konungjao Singh S/o (L) Tomba Singh of Lamjaotongba. -OP Party

**NOTICE**
The 10th August, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার থিয়াম কোনুংজাও সিংহ, পীং মৃ: তোম্বা সিংহ, সাং লমজাওতোংবাগী মিংদা লৈবা ই:ও তহশিলগী খুল নং ৮৩-লমজাওতোংবাগী অনৌবা পাট্টা নং ৫৬৫, দাগ নং ৭৭৭ অমসুং এরিয়ানা .১৮৯০১ একর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নি গী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/3648/11

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR**
**Ref :- Mut. Case No. 152/SDC/P/2022**
(1) Nandeibam Rajen Singh S/o (L) Mangi Singh of Patsoi Part-2.
(2) - do - Jiban Singh S/o (L) do - of - do.
(3) - do - Binoy Singh S/o (L) do - of - do.
(4) - do - Birbal Singh S/o (L) do - of - do.
(5) - do - Herojit Singh S/o (L) do - of - do.
(6) - do - Jilangambi Devi D/o (L) do - of - do. -Petitioners
-Vs-
(L) Nandeibam Mangi Singh S/o (L) Leirenjao Singh of Patsoi Part-4. -OP Party

**NOTICE**
The 29th July, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার নান্দৈবম মঙ্গি সিংহ, পীং মৃ: লৈরেঞ্জাও সিংহ, সাং পাৎশোই পার্ট-৪ গী মিংদা লৈবা ই:ও তহশিলগী খুল নং ৮০-পাৎশোইগী অনৌবা পাট্টা নং ২৫৪, দাগ নং ২৪০৪ অমসুং এরিয়ানা .৮১ একর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নি গী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/3648/11